# সুপ্রিম কোর্টনা আধারগী রাই লাওথোকখ্রে স্কুলদা মিং চনবা, বেঙ্ক একাউন্টনচিংবা হাংবদা আধার চঙলোই



***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী সিটিজনশিংদা পীরিবা আধার আইদেন্টেটি কার্দপু কন্সটিট্যুসননা য়াদবা অমনি হায়না শীংনরকখিবা পেটিসন ২৭ কী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি মশক থোক্লবা রাই অমা লাওথোকখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী আধার স্কিম অসি কন্সটিট্যুসনগী মীৎয়েংদা য়াই হায়না ঙসি লাওথোক্লিবা রাই অদুদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি। অদুবু স্কুলদা মিং চনবা, বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংবা, মোবাইল ফোন কন্নেক্সননচিংবগা আধারগা মরী লৈনহনবা য়াওনা স্কিম অসিগী প্রোভিজন খরা ককথৎখ্রে।

নেস্নেল আইদেন্টিটি কার্দ অসিগী কন্সটিট্যুস্নেল ভেলিদিটি শীজিন্নদুনা কোর্ট অসিদা পেটিসন ২৭ থাঙ্গৎলকখিবনি। পেটিসনশিং অদুনা আধার স্কিম অসি সিটিজনশিংগী 'রাইট টু প্রাইভেসি' থুগায়বা অমনি হায়খি।

লামায় ১,৪৪৮ পানবা রাই অদুদা সুপ্রিম কোর্টনা আধার হায়বসি খুন্নাইগী খুদোংচাবশিং ফংজদ্রবা কাঙলুপশিংদা বিনিফিটশিং ফংহনবদা মতেং ওইনবনি হায়খি। চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লুচিংবা জজ ৫ না শাবা বেঞ্চ অদুনা স্কিম অসিনা মীওই অমগী লন্নাইগীতা নত্তনা অপুনবা কম্যুনিটিগীসু দিগ্নিটি শোকহন্দনবা হোৎনরি অমসুং মীয়ামগীদমক হেন্না চাওবা থবক তৌরি হায়খি।

সিটিজন খুদিংমক্তগী বাইওমেট্রিক দাটা খোমজিল্লিবা অমসুং মখোয়দা নেস্নেল আইদেন্টিটি কার্দ অমা ফংহল্লিবা আধার স্কিমনা রাইট টু প্রাইভেসি থুগায়দে অমসুং কন্সটিট্যুস্নেলি য়াই হায়না ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি।

অদুবু মরু ওইবা ট্রান্সসেক্সন পূন্নমক্তীদমক আধার তঙাইফদনা চঙগদবনি হায়না মরৈ য়েৎলিবা গভর্ণমেন্টনা প্রাইভেসি হায়বসি মীওই অমগী ফন্দামেন্টেল রাইটনি হায়বসি য়াখি। মদু ওইদুনসু মসিদা মরম চাবা মওংদা অথিংবশিংদি লৈগদবনি হায়খি।

হীরম অসিদা রাই অহুম লাওথোকখি। অহানবা অদুনা মহাক মশাগীদমক, জীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া অমসুং জষ্টিস এ এম খানৱিল্করগী রাই অদু ইখিবা জষ্টিস এ কে সিক্রিনা লাওথোকখি। বেঞ্চ অসিদা য়াওরিবা জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং জষ্টিস অশোক ভুশননা মখোয়গী মশাগী রাইশিং পীখি। আধার স্কিম অসি কন্সটিট্যুসননা য়াবা অমনি হায়বদু ৪–১ জজমেন অমনি।

রাই অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, পার্মিনেন্টে একাউন্ট নম্বর (পি এ এন) দদি ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌননবা আধার লিঙ্ক তৌগদবনি। আধারগী খুথাংদা ওথেন্তিকেসন তৌদবগীদমক মীওই অমবু ৱেলফিয়ার স্কিমশিংগী বিনিফিটশিং ফংহন্দবা তৌরোইদবনি। বেঙ্ক একাউন্ট অমা থানবগীদমক অমসুং মোবাইল কন্নেক্সনশিং ফংনবগীদমক আধার চঙদবা য়ারোই হায়বা য়াদে। স্কুল এদমিসনগীদমক আধার শোয়দনমক চঙদবা য়ারোইদবা ওইহল্লোইদবনি।

সোসিয়েল ৱেলফিয়ার স্কিমশিংগী বিনিফিটশিং ফংহন্নবা ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংদা আধার পীদনবা গভর্ণমেন্টনা হোৎনগদবনি হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা আধার পীয়ু হায়বা য়াদে হায়না মকোক থোংবা কোর্ট অসিনা হায়খি।

# সেন্টরনা বোর্দর ইনফ্রাষ্ট্রকচর, সুগর ইন্দষ্ট্রিগীদমক ক্রোর ১৪,১০৬ য়াখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
সেন্টরনা ঙসি বোর্দর ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ মেনেজমেন্ট অমসুং সুগর ইন্দষ্ট্রিগীদমক ক্রোর ১৪,১০৬ গী অয়াবা পীখ্রে। বোর্দর ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ মেনেজমেন্টকী লুপা ক্রোর ৮,৬০৬ অমসুং সুগর ইন্দষ্ট্রিগী লুপা ক্রোর ৫,৫০০ নি।



বোর্দর ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ মেনেজমেন্ট (বি আই এম) কৌবা অপূনবা স্কিম অসিগী মখাদা ঙমখৈ লমদমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী অখন্নবা দিভলপমেন্টকী মথৌ তাবশিং ফংহন্নবা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট ৬০ গীদমক সেন্টরনা লুপা ক্রোর ৮,৬০৬ অয়াবা পীখ্রে হায়না ঙসি ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

প্রোজেক্টশিং অদু পাকিস্টান, চিনা, নেপাল, ভুতান, ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশকা লোন্নবা ইন্টর্নেস্নেল বোর্দরস লৈবা ষ্টেট ১৭ কী বোর্দর দিষ্ট্রিক্ট ১১১ দা পায়খৎপনি। প্রোজেক্টশিং অদুনা মরু ওইনা ইন্টর্নেস্নেল বোর্দরগী কিমি ৫০ গী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগী য়াইফনবা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

স্কিমশিং অসিদা য়াওরিবদি লম্বী-থোং শেম্বা স্কুলশিং, প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিং শাবা রুরেল টুরিজম, বোর্দর টুরিজম চাওখৎহনবা শান্ন-খোৎনবা ফগৎহনবা, লু-নানবগী থবক পায়খৎপা, মিলিটরি সাইটশিং ঙাকপা, থক্কবা অফবা ঈশিং ফংহনবা অসিনচিংবা য়াওরি। অতোপ্পা লমদমগা লম্বী ফাওনদবা চীংগী মফমশিংদা হেলিপেদশিং শাবা ফার্মরশিংদা মতমগী অনৌবা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা প্লান্নিং তৌনবা স্কিম দিভলপমেন্ট ত্রেনিং পীবা অমসুং ওর্গানিক ফার্মিং চথহন্নবা হোৎনবা অসিনচিংবা য়াওরি।

ইন্দিয়াগা ঙমখৈ তায়নরিবশিংদি পাকিস্টানগা (কিমি ৩,৩২৩), চিনা (কিমি ৩,৪৮৮), নেপাল (কিমি ১,৭৫১), ভুতান (কিমি ৬৯৯), ম্যান্মার (কিমি ১,৬৪৩) অমসুং বাংলাদেশ (কিমি ৪,০৯৬) নি।

অদুগা সুগর ইন্দষ্ট্রিগী মতাংদা সুগরগী অহেনবা দোমেষ্টিক ষ্টোক অদু শীজিন্ননবা অমসুং চু থাবশিংগী তোল্লিবা লুপা ক্রোর ১৩,৫৬৭ গী এরিয়রশিং পীবদা মিলশিংগী মতেং পাংনবা ৱাফম অদু ক্রিমিনেল কম্মিটি ওন ইকোনোমিক এফিয়ার্স (সি সি ই এ) না অয়াবা পীখিবনি। সি সি ই এ না ফুদ মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম অদু য়েংশিল্লবা তুংদা লুপা ক্রোর ৫,৫০০ গী তেংবাঙ অয়াবা পীখিবনি হায়না ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

# ট্রিপুরাদা এন আর সি, আই এল পি দিমান্দ তৌখ্রে

***আগর্তলা, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
ট্রিপুরাদা অশেংবা ইন্দিয়ান সিটিজনগী মশক তাক্নবা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অমসুং ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) চৎননবা লোয়ননা কোবোরোক লোলবু কন্সটিট্যুসনগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চলহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা ঙসি ইন্দিজিনস নেস্নেলিষ্ট পার্টি ওফ ট্রিপুরা (আই এন পি টি) না অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোকখ্রে।

ট্রিপুরা ত্রাইবেল এরিয়াস ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (টি টি এ দি সি) হেদক্বার্টরস, খুমুলুংদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমী মরু ওইনা নহাশিং মশীং য়াম্না শরুক য়াখি।

ষ্টেট অসিদা বি জে পি-আই পি এফ টি এলায়েন্সনা গভর্ণমেন্ট পায়রকখ্রবগী তুংদা আই এন পি টি না শিনবা অহানবা অচৌবা রেল্লিনি। রেল্লি অসিদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না শৌগৎলকখিবা অদুনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা ট্রিপুরানা পুনশিনখিবা মতুংদগী ইন্দিজিনস পোলিটিকেল পার্টি অমদা ঈনোৎ পীরবা য়াই। মসিদসু নত্তনা ঙসিগী রেল্লি অসি ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল ফম্বাক্তা য়েলহৌমীশিংগী মাঙখ্রবা মফম অদু অমুক হন্না কন্নবা খোঙথাং অমা ওইনা লৌবা য়াই।

খোঙজং চঙশিল্লিবা লুচিংবশিং অদুনা গভর্ণমেন্টনা সিটিজনসিপ বিল এমেন্দ তৌনবা হোৎনরিবা অদু তোক্নবা, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল অদুদা অহেনবা পৱার পীনবা অমসুং আই এল পি চৎননবসু দিমান্দ তৌখি।

আই এন পি টি প্রসিদেন্ট জয়কুমার রঙখ্বাল, সেক্রেটরী জগদিশ দেববর্মা, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরীশিং রবিন্দ্র দেববর্মা অমসুং শিব চরন দেববর্মা, য়ুঠ আই এন পি টি প্রসিদেন্ট জম্মু দেবর্মাসু খোঙজং অদুদা শরুক য়াখি।

# মচেৎ-মচেৎ ককথৎলবা নুপীমচা ১ গী হকচাং খাউ অনীগী মনুংদা হাপ্পুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
নুপীমচা অমগী মচেৎ-মচেৎ ককথৎলবা হকচাংগী শরুকশিংবরাপুল্লা ফ্লাইওভর মখাগী দ্রেন অমদা খাউ অনীদা য়াওরগা লৈরম্বা থেংনখ্রে হায়না ঙরাং পুলিসনা ফোঙদোরকখ্রে।

পুলিসকী মতূং ইন্না নুপীমচা অদু অতোপ্পগা অরোনবা মরী লৈনৈ চিংনবদগী মাগী বোয়ফ্রেন্দ অদুনা হাৎপা ওইগনি হায়খি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা নিজামুদ্দিন এরিয়াগী নিজাম নগরদা লৈবা রিজৱান খান (২০) কৌবা মীওই অমা ফারে। নহা অসিনা নুপীমচা অদুবু ছুরি অমনা থিল্লগা মফম অদুমক্তদা হাৎপা ওইগনি। মদুগী মতূংদা মহাক্না নুপীমচা অদুগী হকচাং অদু মচেৎ কয়া থোক্না ককথৎলগা খাউ অনীদুগী মনুংদা হাপচিনবনি হায়না সেনিয়ার পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

পুলিসনা কোন্না খাউ অনী অদু ফ্লাইওভর অদুগী মখাদা লৈবা দ্রেনদা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

তমথিরবা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা ফারবা রজৱান খানবু ৱাহং পাউহং তৌবদা নুপীমচা অদুগা মহাক্না হৌখিবা থা ১১ রোম মরী লৈনরকখি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক অতোপ্পা নুপা অমগা মরী লৈনখ্রে হায়বদু হন্দক্তা মহাক্না খঙলকখিবনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

# মুকেশ অম্বানি য়াওনা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা ৮৩১ না ইন্দিয়াগী জি দি পি গী মশুং অমগী মপু ওইরি

***মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
লৈবাক অসিদা মীগা-মীগগী মরক্তা থোং মান্নদবশিং মতৌ করম তৌনা হন্থহনগনি হায়না পোলিসি মেকরশিংনা কন্না হোৎনরিঙৈ অসিদা ঙরাং ৱেল্থ রিপোর্ট অমনা লুপা ক্রোর ১,০০০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মরন-মথুম লৈবা ইন্দিয়ানশিংগী মশীং চাদা ৩৬ হেনগৎলকখ্রে হায়না উৎখ্রে।

য়াম্না খনজিন্নিংঙাই ওইরিবদি, হায়রিবা মীওই ৮৩১ অসি অপূনবা মরন-মথুম অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ৭১৯ ওইদুনা ইন্দিয়াগী জি দি পি গী মরি থোকপগী শরুক অমা ওইরে হায়না রিপোর্ট অদুনা হায়রি।



বাক্লেস-হুরুন ইন্দিয়া রিচ লিষ্ট অমগী মতূং ইন্না ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা মীওই ৮৩১ গী মকোক্তা রিলায়েন্স ইন্দষ্ট্রিগী চিয়ার্মেন মুখেশ অম্বানিনা লৈরি মহাক্কী অপুনবা মরন-মথুম লুপা ট্রিল্লিয়ন ৩.৭১ নি।

ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমদা ওক্সফামনা লাম্থোকখিবা জনুৱারী ২০১৮ গী রিপোর্ট অমদা লৈবাকসিগী অপূনবা মীশিংগী শুপ্নগী চাদা অমখক্তনা ইন্দিয়াগী লৈরিবা লন-থুমগী চাদা ৭৩ গী মপু ওইরে হায়রদুনা মীগা-মীগগী থোং মান্নদবা হেনগৎলক্লিবা অসিদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। খ্বাইদগী ইনাকখুনবা ৮৩১ গী মনুংদা মুম্বাইদা ২৩৩, দিল্লিদা ১৬৩ অমসুং বেঙ্গলুরুদা ৭০ লৈ।

# য়ু এন না চাবা ফংদবগী খুদোংথিরবা য়েমেনগী দিষ্ট্রিক্টতা খূৎলৈ থুনা তেংবাঙ থাজিনখ্রে

***তাইরো, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
খুঞ্জাশিংনা চানিংঙাই অমত্তা ফংদবদগী উনা চাদুনা হিংনবা হোৎনরিবা অৱাং থংবা য়েমেনগী উপায় লৈত্রবা কাচিন অমদা য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং লন্নাই দোনরশিংনা খূৎলৈ থুনা চাননবা চিঞ্জাক্কী তেংবাঙ থাজিনখ্রে।

লৈবাক অসিগী পুক লাম্বগী ৱাথোক অসি হেন্না হেন্না শোকচিল্লক্লি। মসিগী ফিভম অসিদা তেংবাঙ পীবা ওফিসিয়েলশিংনা মথৌ তারবা মীওইশিং অদুগী মফমদা শুংশোয় শোয়দনা মতেং করন্না য়ৌহনগদগে হায়বগী লম্বীশিং থিরি।



তেংবাঙগী খোঙথাং অদু থা অসিগী অঙনবদা এসোসিয়েটেদ প্রেসনা ইমুং মনুং কয়ামরুমনা উনা চাদুনা লৈরম্বা থেংনখিবা অস্লাম কৌবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা পান্দম থমদুনা লৌখৎখিবনি।

য়েমেনদা পাক্তক্লনা চাক তাংবা থোক্লিংঙাইগী ফিভম-ফনবা থিবদা লুই হায়বগী খুদম অমদা খায়রান অল-মহারাগ কৌবা থংনবা দিষ্ট্রিক্ট অমদসু চাবা ফংদবগী খুদোংথিবা হেন্না হেন্না শাথিবা হেল্লকপগুম তৌখ্রে।

য়ু এন জেনরেল এসেমব্লি মীফমগী মাঙওইননা য়ু এন হ্যুমেনিতরিয়ান চীফ মার্ক কোর্কনা য়েমেনদা চাক তাংবা থিংনবা লাম্হেংদা ঐখোয় মায়থিরে হায়রদুনা ৱার্ল্ড বোদি অসিগী সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা অকনবা ৱানিং অমা পীখি।

# ট্রম্পনা ইরান লীদরসিপ ইন্থুনবা হোৎনরি ঃ রৌহানি



***য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইন্টর্নেস্নেল ন্যুক্লিয়ার একোর্দ অমদগী অতন্ননা তোকখ্রবগী তুংদা ৱাসিংতনগা ৱারী শান্নবা অমুক হৌসি হায়রিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরানগী গভর্ণমেন্টপু থুগাইনবা হোৎনৈ হায়না ইরানগী প্রসিদেন্ট হাসন রৌহানিনা ঙরাং মরাল শীখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিদা ৱা ঙাংবদা প্রসিদেন্ট রৌহানিনা হায়খি, য়ু এস গভর্ণমেন্টনা ৱারী শান্ননবা বার্ত্তন তৌরক্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিমকপু ইন্থুনবা মখোয়গী থৌরাং অদু লোৎশিন্দুনা থমদবসি নোক্লিংবা পোকই। ৱারী শানবগীদমক ফোটো নম্বগী খুদোংচাবা অমগী মথৌ তাদে। এসেমব্লি অসিদা মফম অসিমক্তদা নাকল অনীনা অমনা অমগী ৱা তাবা য়াই। ঐহাক্না মফম অসিমক্তদা ৱারী শাবা অদু হৌরি অমসুং ইন্টর্নেস্নেল সেক্যুরিটিগী ৱাফম অদু অমেরিকান দোমেষ্টিক পোলিটিক্সকী শান্নপোৎ অমা ওইবা য়ারোই হায়বসি হায়রি হায়না রৌহানিনা হায়খি।

য়ু এস কী দোনাল্ড ট্রম্পনা ইরান ন্যুক্লিয়ার একোর্দতগী তোক্নবা ৱারেপ অদু চুম্মী হায়না ঙাকথোক্নদুনা ইরানগী লীদরসিপপু কাংখোং চাইবা, মীশি-মীনা অমসুং মাঙ-তাকহন্নবা মরু হুল্লে হায়না মরাল শীরদুনা য়ু এন দা পীবা ৱারোলনা ইরানবু নাইতোম তাহন্নবা হোৎনখিবা অদুগী পূং খরগী তুংদা প্রসিদেন্ট রৌহানিনা অমুক ৱা ঙাংখিবনি।

য়ু এস সেঙ্কসনশিং থম্নবসু ইরানগা লৈনবা ব্যুজিনেসকী মরী কায়হন্দনা থম্নবা ফ্রান্স, বৃটেন, জর্মনি, চিনা অমসুং রসিয়ানা নিংথৌকাবগী অথেংবদা ন্যু য়োর্কতা মীফম অমদা পেমেন্ট সিষ্টেম অমা লীংখৎনবা য়ানখিবনি। লৈবাক ৫ অসি ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়ার একোর্দ অদু হৌজিকসু শৌগৎলি।

# শিঞ্জো অবেনা কিম জোং উন দা থোঙ হাংখ্রে

***য়ুনাইটেদ নেসন্স, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
মতম অমদা কনামতগা পুন্দনা নাইতোম লৈরম্বা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনগা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা ইতিহাসিক ওইবা সমিট অমা পাঙথোকখ্রবা মতূংদা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেনসু মহাক্না কিম জোং উনগা উন্ননবগী অপাম্বা লৈ হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

মতম শাংনদগী নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা কন্থা-করিংনবা ফিরেপ লৌদুনা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর শিঞ্জো অবেনা চহী ২ গী মমাঙদা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা নোর্থ কোরিয়াগী দিপ্লোমেসিগী থোঙনাও লোনশিনখ্রে হায়না ৱার্নিং তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক মহাক্না হান্নগা মান্নদনা পুকচেল তিংথোক্লক্লে। অদুবু হৌজিকসু মালেমগী বোদি অসিদা ঙরাং মহাক্না ৱা ঙাংখিবদা নোর্থ কোরিয়াবু চিংনবগী ৱাঙাং ঙাংখি।

জপান মীয়ামগী অয়াম্বনা য়াম্না থম্মোয় শোকপা ৱাথোক অমা ওইরিবা জপানগী মীচমশিং নোর্থ কোরিয়ানা ফাখিবগী মতম কুইরবা য়েৎনবা অদু লোইশিন্নবা হোৎনবনা নোর্থ কোরিয়াগা শান্নগদবা ৱারীগী মরু ওইবা ওইগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

জপানগী মীচমশিং ফাখিবগী ৱাথোক অদু ৱারোয়শিন পুরক্কবগীদমক ঐনসু নোর্থ কোরিয়াদা লৈরম্বা মহৌশাগী থাজনবগী কুরাংবান অদু লৌথোক্লবা থৌরাং তৌরে, অনৌবা লম্বী অমা চৎনবা অমসুং চিয়ার্মেন কিম জোং উন গা মায়-মায় ওনশিন্নদুনা উন্ননবা থৌরাং তৌরে হায়না য়ু এন দা পীখিবা মাগী ৱারোলদা প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা হায়খি।

অদুবু করিগুম্বা ঐখোয়না সমিট অমা পাঙথোকপা তারবদি মদুনা মীচম ফাবগী ৱাথোক অদুগী ৱারোইশিন পুরক্কবা শোয়দনমক হোৎনগনি হায়বসি ঐঙোন্দা চপ চানা থাজরি হায়খি।

হৌজিক ফাওবদি সমিটকী থবক হৌদ্রি হায়বা ৱাফম চেৎনা পল্লদুনা কিমদা মাগী ওইবা হৈনিংবা অদু উৎনবা অবেনা অপিল তৌখ্রে।

# চিনানা য়ু এস কী লালগী জহাজ অথিংবা থমখ্রে

***বৈজিং, সেপ্টেম্বর ২৬ ঃ***
মতম শাংনদগী লৈরক্লবা জহাসশিংনা পোর্ট কোল অমা তৌবগী চৎনরোল অদু থুগাইদুনা চিনানা হোং কোংদা চঙগদবা অমেরিকাগী লালগী জহাজ অমবু ঙরাং অথিংবা থমদুনা চঙহনখিদ্রে।



মরকসিদা বৈজিংগী ট্রেদ নেগোসিয়েটরনা চিনাগী ঙকশমদা থাঙ অমা পায়দুনা লৈরিবমখৈ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱারী শান্ননবগী লম্বী লৈতে হায়খ্রে।

তোঙান তোঙানবা থৌদোক অসি চপ মান্নবা নুমিৎ অমত্তদা থোক্লি। চাইনিজ মিলিটরি ওর্গনাইজেসন অমগী মথক্তা ফাইনান্সিয়েল সেঙ্কসনশিং থমজিন্নবগী ৱাসিংতন ৱারেপকী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বৈজিংদা পাঙথোক্লবা লোৎলম্বা মিলিটরিগী ৱারী অদুবু চিনানা তোকথোকখি।

য়ু এস কী য়ু এস এস ৱাম্প কৌবা লালগী জহাজ অদুনা হান্নগী বৃটিশ লোয়লম হোং কোংদা ওক্টোবর থাদা চঙঙমগদবনি হায়না দিপ্লোমেটিক্কী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্লি।

লালগী জহাজ অদুনা হোং কোংদা চঙনবগী হায়জরকপা অদু চিনাগী গভর্ণমেন্টনা য়াখিদ্রে হায়না য়ু এস কোন্সুলেটকী ৱাঙাংলোই নুপী অমনা হায়খি।

দোল্লর বিল্লিয়ন ২০০ গী চাইনিজ ইম্পোর্টশিংগী মথক্তা দোনাল্ড ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা টেক্স ৱাংখৎহনখিবা অদুগী মতূংদা চিনানা য়ু এস তা হেন্না কনশিনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। বৈজিংনসু দোল্লর বিল্লিয়ন ৬০ গী য়ু এস পোথোকশিংদা দ্যুটিশিং লৌদুনা লমন খুম্বগী পাউখুম পীখি। চিনানা হৌজিক কষ্টমস ক্লিয়ারেন্স তপথদুনা, ইনভাইরোনমেন্টেল অমসুং অতৈ ইন্সপেক্সনশিং কনখৎতুনা অমেরিকা কম্পেনিশিংগী মথক্তা অহেনবা শাফু মায়োক্নহল্লি।


[illegible]

**JOINT ADMINISTRATIVE COUNCIL**

**of**

**All Manipur Trade Unions' Council (AMTUC)**

**AND**

All Manipur Government Employees' Organisation (AMGEO)
Head Office : BABUPARA, NEAR STATE GUEST HOUSE
IMPHAL-795001, Manipur
E-mail : jacofamtuc_.amgeo.manipur@yahoo.com,
www.facebook.com/Joint Administrative Council of AMTUC & AMGEO, Manipur

**Appeal to the Government of Manipur**

*Imphal, the 17th September, 2018*

No.5/S(A)JAC-CD/2016 : The Apex Body of Joint Administrative Council of All Manipur Trade Unions' Council (AMTUC) & All Manipur Government Employees' Organisation (AMGEO), appeals the Governent of Manipur for due attention to the following prioritized points of Charter of Demands.

* Adoption of 7th Central Pay with areas w.e.f. 1st January, 2016.
* Immediate Payment of all due DA/DR.
* Secretariat Duty Allowance in respect of Secretariat Employees & others Department specially Revenue Department (District Administration), CAF & PD Department respectively should be paid @ 10% of corresponding Basic pay as agreed upon.
* To Establish Manipur State Staff Selection Commission for recruitment of group C employees etc.

We also vow to remind the Government, the 22 Points Charter of Demands already submitted to the Hon'ble Chief Minister, Manipur.

Sd/-
**(Laitonjam Biken)**
Secretary General
Joint Administrative Council of AMTUC & AMGEO, Manipur

**SL/4055/23**


**সনা-সুদোকু -১৩০২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 5 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 7 |
| 2 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 | 6 | 4 | 8 |
| 9 | 8 | 4 | 1 | 7 | 6 | 2 | 3 | 5 |
| 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 8 | 3 | 6 | 4 |
| 8 | 5 | 3 | 4 | 6 | 9 | 1 | 7 | 2 |
| 6 | 4 | 2 | 7 | 1 | 3 | 5 | 8 | 9 |
| 1 | 9 | 7 | 6 | 5 | 4 | 8 | 2 | 3 |
| 5 | 2 | 6 | 3 | 8 | 7 | 4 | 9 | 1 |
| 4 | 3 | 8 | 2 | 9 | 1 | 7 | 5 | 6 |

**SANA - SUDOKU**

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1303**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 1 | 2 | | 9 |
| | | | | | 6 | | | 3 |
| 1 | | | 5 | | | | | |
| 4 | | | | 8 | 5 | 7 | 6 | |
| | | | | 1 | | 8 | | |
| 6 | | | | 2 | 3 | | | |
| 5 | | 2 | | | | | 1 | |
| | | | 4 | | | | 8 | |
| | 3 | 6 | | | 9 | 5 | | |